# ইস্লামিক ষ্টেটনা হেলিকোপ্টর কাপথবদা রশিয়ন পাইলোট ২ শিখ্রে



মোস্কো, দামাসকস, জুলাই ১০ ঃ

আই এস আই এসকী ফাইটরশিংনা রশিয়ন হেলিকোপ্টর অমা কাপথখিবদা রশিয়ন পাইলোট অনী শিখিবগা লোয়ননা সিরিয়ন কনফ্লিক্ট অদুদা শিখিবা রশিয়ন ট্রুপশিংগী অপূনবা মশীং ১২ শুখ্রে হায়না মোস্কোনা ফোঙদোক্লি।

রশিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা হায়খি, রিয়াফাগট খাবিবুলিন অমসুং য়েভগেনি পোলগিননা পাইবা সিরিয়াগী হেলিকোপ্টর অমা থাংজ নুমিৎতা আই এস আই এসনা টার্গেট তৌরকখি অমসুং কায়খি।

মিলিটেন্ট গ্রুপ অদুনা এটেক অদু মখোয়না পাঙথোকখিবনি হায়না ফোঙদোকখি হায়না এস আই টি ঈ মোনিটরিং গ্রুপনা হায়রি।

“পাইলোটশিং অদুনা মখোয়গী এম্যুনিসন পুম্নমক শীজিন্নবা লোইদুনা মখোয়গী মফমদা অমুক হল্লকপদা লমখাংদা টেররিষ্টশিংনা কাপ্লকখি অমসুং হেলিকোপ্টর অদু কায়খি লোয়ননা ক্রুসু শিখি” হায়না দিফেন্স মিনিষ্টরনা হায়খি।

এস আই টি ঈনা আই এস আই এসকী ষ্টেটমেন্ট অমা পল্লদুনা হায়খি “কালিফেটকী লান্মীশিংনা মখোয়গী পোজিসনশিংদা এটেক তৌনবা হোৎনখিবা রশিয়ন হেলিকোপ্টর অমা কাপথখ্রে। মদুদা হেলিকোপ্টর অদু কায়খ্রে লোয়ননা মদুদা তোংখিবশিংদুসু শিখ্রে।”

চৈরকসিদা সিরিয়ন মিলিটরিনা হায়খ্রে মদুদি, পুং ৭২ চুপ্পা লৈবাক শীন থুংনা চত্থরকখিবা ইরাই নুমিৎতা লোইশিনখিবা সিজফায়র অমা অতোপ্পা পুং ৭২ অমসু শাংদোক্লে। মসি ষ্টেট মিদিয়াগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখিবনি। মমাঙগী ট্রুস অদু জুলাই ৮ গী অহিং নোংয়াই ফাওবা চৎনখি।

নুমিৎ ১২ নি লাল শোক্লরবা মতুং থাংজ নুমিৎতা সিরিয়ন গভর্ণমেন্ট অমসুং এলাইদ ফোর্সেসনা দামাসকসকী নোংপোক্তা লৈবা রেবেলশিংনা পায়শিল্লিবা টাউন অমা কন্ট্রোল তৌখিবা মতুংদা হেলিকোপ্টর কাপথবগী পাউ অসি লাকখিবনি হায়না সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা হায়খি। কন্ট্রোল অদুনা ওপোজিসন টেরটরি য়ৌবা সপ্লাই রুট অমা থিংজিনখি হায়রি।

# জুবাদা নোংমৈ কাপ্নবদা লান্মী য়াওনা মীওই কয়া শিখ্রে



নাইরোবি, কেনিয়া, জুলাই ১০ ঃ

হৌখিবা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা জুবা অপুম্বদা নোংমৈ কাপ্নরকখ্রবা মতুংদা লান্মীশিংনা অশিবা হকচাং কয়ামুক সাউথ সুদানগী কেপিটেলগী হোস্পিটাল অমদা পুরকখ্রে হায়না হোস্পিটালদগী দোক্টর অমনা থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

দোক্টর অদুনা হায়খি, লান্মীশিংনা দোক্টরশিংবু অশিবা হকচাংশিং য়েংহন দবদগী অশিবা হকচাংগী অপূনবা মশীং খঙদ্রি, তৌইগুম্বসুং জুবা টিচিং হোস্পিটালগী মোর্গ থন্না লৈ।

মদু ইরাই নুমিৎকী কাপ্নবদুগী মতুংদা থোকপা মীশিশিংগী অহানবা ৱাহৈনি। অশিবা হকচাং অয়াম্বা লান্মীশিংগীনি হায়না দোক্টরদুনা হায়খি। মঙোন্দা খুদোংথীবা থোক্লকপা য়াই হায়না কিবদগী মহাক্না মশক-মমিং ফোঙহনখিদে। নোংমৈ কাপ্নবা অদু প্রসিদেন্ট সেলভা কিরনা অহানবা ভাইস প্রসিদেন্ট অমসুং হান্নগী রেবেল লীদর রিক মচরগা প্রসিদেন্সিয়েল কম্পাউন্দ অমগী মপান্দগী হৌখি অমসুং য়াম্না থুনা সীটি শীন-থুংখি।

জুবাদা সিভিল ৱার অমুক হল্লকপা য়াবগী অকিবা হেনগৎলক্লিঙৈ মরক্তা হান্নগী রাইভেলশিংনা ঈংনা লৈনবা অপূনবা কোল অমা থোকখি। সাউথ সুদানগী মঙাশুবা নিংতম কুমওন নুমিৎ থাংজগী অয়ুক্তা লোকেল মীওইশিংনা লন্থী চিকখি হায়না ফোঙদোকখি। মীওই কয়া ইমুংদগী মপান থোক্লখিদে।

মীওই ২৫,০০০ হেন্না চঙজফম পীরিবা জুবাদা লৈবা যু এন বেজগী মপান দা নোংমৈ মখা তানা কাপ্লখি। বেজ অদুগী মনুংদা লৈবা ক্লিনিক অমদা সিক্যুরিটিগী ফীভম য়েংশিল্লিবা বুদবুদ চোলনা হৌখিবা থাংজদা হায়খি মদুদি, মখোয়না নোংমৈনা পানবা মীওই ৪০ রোম রিসিভ তৌখি। “মখোয় হৌজিকসু লাকপা লেপত্রি। মখোয় লোয়নমক নোংমৈনা পানবা ঙাক্তনি” হায়না চোলনা হায়খি।

চোলনা মখা তারদুনা হায়খি মদুদি, অশোকপশিংদুগী মনুংদা মখোয় কয়াদি যু এন বেজগী মপানদা কাপ্নবদা চাইথোরকপা মরূনা পানখিবশিংনি। নুপী অমা বেজ অদুগী মনুংদা অদুগুম্বা নোংমৈ মরূ অমনা পানখি।

খ্বাইদগী নৌবা ঈরাং অদু শগোলশেন নুমিৎকী অহিংদা আর্মি ফেক্সনশিংগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্নবগা লোয়ননা হৌখি। মখোয়শিং অদু হৌখিবা চহীদা পুরকখিবা পিছ দিল অমগী মখাদা জোইন্ট পেট্রোলশিং পাঙথোক্কদবনি। লান্মী মঙা শিখিবা নোংমৈ কাপ্নবদু হৌখিবা ২০১৩ গী দিসেম্বরদা জুবাদা লান্মীশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লখিবদুগা মান্নে। খুৎ থোক্লবা অদুদগী মীওই লিশিং কয়া শিহনখিবা সিভিল ৱার অদু ওইরকখি।

# ওষ্ট্রেলিয়ন পি এম টর্নবুল নেসনল ইলেক্সনদা মায় পাকখ্রে, লেবর পার্টি মায়থীবা য়াজখ্রে



সিদনি, জুলাই ১০ ঃ

ওষ্ট্রেলিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর মেলকম টর্নবুল মতম শাংনা চঙনা পাঙথোকখিবা নেসনল ইলেক্সনদা মায় পাক্লে হায়না ঙসি লাউথোকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী কোলিসন গভর্ণমেন্টনা মখা তানা পাৱর পায়রগনি। অমরোমদা ওপোজিসন লেবর পার্টি মীখল অদুদা মায়থীরে হায়বা য়াজখ্রে।

ভোট মশীং থীবদু ঙসি নিপানশুবা নুমিৎ ফাওবা চত্থখি। অদুবু টর্নবুলগী কোলিসননা হান্নদগী চিংনদুনা লাকপা সীট মঙাগী মনুংদা অনী ফংদুনা মেজোরিটি গভর্ণমেন্ট অমা শেল্লগনি। মীখল অদুদা পায়ননবা তান্নখিবা লৱার হাউসকী সীট ১৫০গী মনুংদা সীট মঙাগী ফল লাউথোক্ত্রি ঙৈদা টর্নবুলগী কোলিসননা সীট ৭৪ ফংখ্রে।

“ঐখোয়না মীখল অদুদা মায় পাক্লে” হায়না সিদনিদা টর্নবুলনা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা হায়খি। ঐখোয়না মসিগী ইলেক্সন অসি অকনবা অর্গ্যুমেন্ট কয়া চত্থদুনা, পোলিসিগী ইসু কয়া অমসুং প্রিন্সিপলগী ইস্যুশিংদা থেংনখি অমসুং ঐখোয়না য়াম্না ঈংনা পাঙথোকখি, মসি ঐখোয়না সেলিব্রেট তৌগদবনি।”

টর্নবুলনা ওপোজিসন লেবরগী মায়োক্তা অপীকপা মার্জিনদা মায় পাকখিবা অদুনা লেজিসলেসন পাস তৌনবা হোৎনবদা মহাক্না তঙাই ফদনা ইন্দিপেন্দেন্টশিংগী মতেং লৌরকপা য়াই হায়রি।

মীখল অদুদা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপশিংনা ফংলিবা সীট মশীংনা মঙানি। মদুনা মহাক্কী গভর্ণমেন্ট অদু মতম কয়াম শাংনা ইফেক্টিভ ওইগদগে হায়বগী ৱাহংশিং লাকহল্লি।

সী ৬৯ ফংবা য়ানা লৈরবা লেবর পার্টি মায়থীরে হায়বা য়াজখ্রে। “টর্নবুল অমসুং মহাক্কী কোলিসন্না গভর্ণমেন্ট শেল্লগনি হায়বসি য়াম্না ময়েক শেংলে” হায়না লেবরগী লীদর বিল সোর্টননা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা হায়খি।

লেবর অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট কয়ানা কোলিসনগী থবক পীবা অমসুং গ্রোথকী এজেন্দা অয়াম্বা ওপোজ তৌদুনসু মখোয়না অনৌবা পার্লিয়ামেন্টদা য়ারিমখৈ য়ৈখায় থিনগায়বা পীদনবা ৱারেপ লৌখ্রে। মখোয়না বজেটকী সরপ্লস করম্না হনগনি হায়বদগীনা দোল্লর বিলিয়ন ৫০গী কোরপোরেট টেক্স ব্রেককী প্রপোজেল অমা ফাওবগী ৱাফমশিং গভর্ণমেন্টগী মায়োক্তা লাকখিবনি।

“গভর্ণমেন্টগী মরু ওইবা সার্ভিসশিং ফংহন্নবা হোৎনবা অমসুং ঐখোয়গী বজেটতা বেলেন্স লাকহন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না টর্নবুলনা হায়খি।

# রশিয়ন ওফিসলশিং তান্থোকখিবগী পাউখুম ওইনা মোস্কোনা য়ু এস দিপ্লোমেট ২ তান্থোকখ্রে



মোস্কো,রশিয়া, জুলাই ১০ (এজেন্সী)ঃ

হৌখিবা থাদা য়ু এস এম্বেসিগী ৱার্কর অমদা এটেক তৌখিবগী ৱাহৌদা ৱাশিংটননা রশিয়ন ওফিসল অনী তান্থোকখিবগী লমন খুম্বগী খোঙথাং অমা ওইনা য়ু এসকী দিপ্লোমেট অনী তান্থোক্লে হায়না মোস্কোনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

“মখোয়গী মরুপ-মপাং ওইদবগী থৌওং অদুগী মতুংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী এম্বেসিগী ইমপ্লোয়ী অনী মোস্কো থাদোকপা তাখি” হায়না রশিয়াগী দেপ্যুটি ফোরেন মিনিষ্টর সর্গৈ র্যাবকোভনা হায়খি।

“মখোয় অসি মখোয়গী দিপ্লোমেটিক ষ্টেট্রসকা চানদবা থবক কয়া তৌবগীদমক্তা লৈবাক অসিগী গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিদা মখা তানা লৈবদা অথিংবা থম্লে।”

র্যাবকোভনা য়ু এসকী দিপ্লোমেট অনীবু সী আই এগী এজেন্টশিংনি হায়না মরাল শীখি অমসুং মখোয়গী মনুংদগী অমা মোস্কোদা পুলিসমেন অমগা উংখৎনবদগী অমনা অমগী ওফিসলশিং তান্থোক্লবদু লাকখিবনি।

“ৱাশিংটননা উৎখিবা এন্টি-রশিয়ন ওইবা থৌওং অদু মুন্না খঙজে হায়না ঐখোয়না খল্লি। মখোয়না মায়কৈ অসোমদা অহেনবা খোঙথাং লৌখৎলকপা তারবদি মদুদা ঐখোয়না পাউখুম পীদবা তৌরোই” হায়না র্যাবকোভনা চেকশিন ৱা পীখি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা ইরাই নুমিৎতা লাউথোকখিবা অমদা হৌখিবা থাদা মোস্কোদা য়ু এসকী দিপ্লোমেট অমা পুলিসমেন অমনা এটেক তৌখিবগী থৌদোক্তা মরী লৈননা দিপার্টমেন্টনা রশিয়ন ওফিসল অনী তান্থোকখ্রে।

ষ্টেট দিপার্টমেন্টগী স্পোক্সমেন জোন কির্বিনা হায়খি মদুদি, হৌখিবা জুন ৬ তা এক্রেদিটেদ য়ু এস দিপ্লোমেট অমনা মশক তাকচদুনা য়ু এস এম্বেসিদা চঙবদা রশিয়ন পুলিসমেন অমনা এটেক তৌখি।

অদুম ওইনমক মোস্কোনা অমেরিকানশিংগী ৱারী অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি অমসুং য়ু এসকী দিপ্লোমেট অদু সী আই এগী এজেন্ট অমনি অমসুং মহাক্না সীটি অদুদা স্পায়িং মিসন অমা চৎলুরগা হল্লকপদা মহাক্কী আই দি চেক তৌনবা লেপহল্লুবা পুলিসমেন অদুদা মহাক্না এটেক তৌখিবনি।

রশিয়ন ষ্টেট-কন্ট্রোল টেলিভিজননা শগোলশেন নুমিৎকী ব্রোদকাষ্টতা এটেক অদুগী ফুটেজনি হায়বা অমা উৎলদুনা হায়খি মদুদি, ফুটেজ অদু এম্বেসিগী মপান্দা লৈরিবা রশিয়ন পুলিস গার্দ অমনা হান্না মশক তাকথোক্তনা বিল্ডিং অদুদা চঙনবা হোৎনখিবনি হায়বা সী আই এগী মীওই অমা পান্নবগী শক্তমনি।


রশিয়ন রিপোর্ট অদুবু তায়োন্নবা মানবা মমি শেংদবা অতেনবা ক্লিপ অমদা টেক্সি অমদগী কুমথরকপদা ঙাইরিবা মীওই অমদা সেন্ট্রিগী বোক্স অমদগী থুনা থোক্লকখিবা পুলিসমেন অমনা এটেক তৌখি।

নাকল অনীনা এম্বেসিগী ওফিসলশিং তান্থোক্লবগী থৌদোকশিং অদু ফুটেজ অদু রশিয়ন টিভিদা শন্দাক্ত্রিফাওবা মীয়ামদা খঙহন্দনা লোন্না থল্লকখি অমসুং র্যাবকোভনা ৱাশিংটনদা লৈবা য়ু এসকী দিপ্লোমেটশিংবু মোস্কোদা খোঙথাংশিং অদুবু ফোঙদোক্লন্দনবা হায়রল্লবা মতুংদা মশাগী ৱা ঙাকচদে হায়না মরাল শীখি।

খ্বাইদগী নৌবা এম্বেসিগী ওফিসলশিং তান্থোক্লবগী থৌদোকশিং অদু ৱাশিংটননা রশিয়ন কেপিটেলদা অমেরিকান দিপ্লোমেটশিং অমসুং মখোয়গী ইমুংশিংবু হেরাশমেন্ট পীবা অমসুং কিহন্নবগী কেম্পেইন অমা কন্না চত্থরক্লে হায়না ৱাশিংটনগী মায়কৈদগী কমপ্লেন তৌরকখিবা মতুংদা থোক্লকখিবনি।

য়ুক্রেনগী ক্রাইসিসনা মরম ওইদুনা কোল্ড ৱার মতুংদা য়ু এস অমসুং রশিয়াগী মরী খ্বাইদগী নেম্বা পোইন্টদা লাকখি।

# সদাম হুশেইন চিংথুনবা ইরাক্তা লান্দাখিবা লোগী মায়োক্তনি : হান্নগী য়ু কেগী দেপ্যুটি পি এম



লন্দন, জুলাই ১০ (এজেন্সী) ঃ

বৃটেননা কুমজা ২০০৩ দা ইরাক্তা লান্দাখিবদুদা ইন্টরনেসনল লো থুগায়খি হায়না মতমদুগী লৈবাক্কী দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর জোন প্রেস্কোটনা ঙসি ৱারেপ অদুগী মতাংদা লাকখিবা ক্রিটিকেল রিপোর্ট অমগা ইরোয়ননা ফোঙদোকখ্রে।

চহী তরেৎ চুপ্পা চত্থরকখিবা ইনক্বাইরি অদু হান্নগী বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টরনা ইরাক লাল অদুবু হেন্দল তৌবা, মদুগী প্লান্নিং অমসুং জষ্টিফিকেসনদা ফেল ওইখিবা কয়া লৈখি হায়না ৱারোইশিন তাখি, তৌইগুম্বসুং লাল অদু লিগেল ওই হায়বগী মতাংদদি ৱারেপ লৌখিদে।

কুমজা ২০০৩ লান্দা মদুগী থা নিপানগী মমাভদা ব্লেয়রনা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট জোজ দব্লিয়ু বুশতা “ঐহাক মতম পুম্বদা নহাক্কা লোয়নগনি” হায়খি অমসুং মদুগী মতুংদা পিছ লিংনবগী ওপসন কয়ামুক লৈনা লৈনা বৃটিশ ট্রুপ ৪৫,০০০ লাল অদুদা থাখি হায়না মতম শাংনা ঙাইনরকখিবা বৃটিশ পব্লিক ইনক্বাইরি অদুনা হায়খি।

সন্দে মিরর ন্যুজপেপরদা ইখিবা প্রেস্কোটনা হায়খি মদুদি, লাল অদুবু লোগী মীৎয়েংদা য়াবা য়াদবগী মতাংদা হৌজিক মহাক্কী মীৎয়েংদা অহোংবা লাক্লে। মহাক্না ব্লেয়রবু লাল অদু লিগেল ওইগদরা হায়বগী মতাংদা মহাক্কী মিনিষ্টরশিংবু মাঙজৌননা মপুং ফানা খন্নহনখিদবগীদমক্তা ক্রিটিসাইজ তৌখি।

কুমজা ২০০৪ দা য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল কোফি অনাননা হায়খি মদুদি, ইরাক্কী রেজিম হোংহনবনা মরু ওইবা পান্দম ওইবা মরম্না লাল অদু (ইরাক্তা লান্দাবদু) ইলিগেল ওই। অৱাবগী মশক্লি হৌজিক্তি ঐহাক্না মহাক্না হায়রল্লিবসি অচুম্বনি হায়না থাজরক্লে” হায়না প্রেস্কোটনা ইখি। “ঐহাক পূন্সি চুপ্পা লাল তৌবগী ৱারেপ অমসুং মাঙ

তাক্লিংঙাইগী মশক ওইরবা লালগী মহৈশিংগী ৱাখলগা লোয়ননা লৈরগনি” হায়না মহাক্না মখা তাখি।

বৃটন কয়ানা ব্লেয়রবু মহাক্কী মিলিটরি এক্সন লৌখৎনবগী ৱারেপ অদুগী মতাংদা ক্রিমিনেল এক্সন মায়োক্ন হনবা পাম্লি। মহাক্না ৱারেপ্তু লৌখিবা মতুং মথংগী চহী ৬ তা বৃটিশ লান্মী ১৭৯ শিখি অমসুং ইরাকি মীচম ১৫০,০০০ হেন্না শিখি।

“এটোর্নি জেনরেল লোর্দ গোর্ল্ডস্মীথনা কেবিনেটতা লাকখি অমসুং মচীন্না মদু লিগেল ওই হায়না লাউথোকখি তৌইগুম্বসুং দোক্যুমেন্টসন অমত্তা লৈখিদে” হায়না প্রেস্কোটনা হায়খি। “ৱারেপ্তুগী টাইমিং অদু য়াম্না নাখৈ শেংনা ঐখোয়বু খুদক্তা লাল য়াওহন্নবগী মওংদা দিজাইন তৌখি।”

প্রেস্কোটনা মখা তারদুনা হায়খি মদুদি, মহাক্না লেবর পার্টিগী লীদর জেরেমি কোর্বিনগী ৱারেপ অদু শৌগৎলি। ভেটরন এন্টি-ৱার কেম্পেইনর অমসুং ব্লেয়রগী ক্রিটিক অদুনা পার্টিগী মহুৎ শীন দুনা লাল অদুগীদমক্তা এপোলোজাইজ তৌনবা ৱারেপ লৌখিবনি।

# মশক নাইবা কম্বোদিয়ন এক্টিভিষ্ট কাপ্তুনা হাৎখ্রে

নোম পেন, জুলাই ১০ (এজেন্সী)ঃ

কম্বোদিয়াগী শক্নাইরবা পোলিটিকেল কম্মেন্টেটর অমসুং গভর্ণমেন্টগী ক্রিটিক কেম লি নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়না লোকেল মিদিয়ানা ফোঙদোক্লি।

লোকেল মিদিয়াগী রিপোর্টশিংনা পুলিসকী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি মদুদি, মহাক লৈবাক অদুগী কেপিটেল নোম পেনগী পেট্রোল ষ্টেসন অমদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি।

থৌদোক অদুগী মতুংদা সস্পেক্ট অমা ফাখি হায়না রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখি। এটেক অদু করিগীদমক্তা চত্থখিবনো হায়বদুদি খুদক্কী ওইনা খঙখিদে। কেম লি অসি কম্বোদিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর হুন সেনগী গভর্ণমেন্টবু ক্রিটিসাইজ তৌবা গ্রাসরুটস এক্টিভিষ্ট গ্রুপশিংগী থবক থৌরমশিংদা য়াওই হায়রি।

কুমজা ১৯৯৩ দা লৈবাক অদু মল্টি-পার্টি দিমোক্রেসি অমা ওইরকখি, তৌইগুম্বসুং ওপোনেন্টশিংনা প্রাইম মিনিষ্টরবু ঈরাং থোকহনবা অমসুং ওথোরিটরিয়ন সিষ্টেম অমা লৈবাক অদুদা চৎনহল্লি হায়না মরাল শীরি।

কম্বোদিয়ন পিপলস পার্টি (সী পি পি) বু লুচিংলিবা হুন সেননা লৈবাক অদুবু চহী কয়ামুক লিশাং শিংনা পাল্লকখিবনি। কুমজা ২০১৩ দা পাঙথোকখিবা য়েৎনবা লৈখিবা জেনরেল ইলেক্সনদা সীট ৬৮ ফংদুনা সী পি পিনা মায় পাকখি। মদুগী মায়োক্তা ওপোজিসন কম্বোদিয়া নেসনল রেস্ক্যু পার্টি (সী এন আর পি) না সীট ৫৫ ফংখি।

অহানবা সী এন আর পিনা মখোয়গী পার্লিয়ামেন্টরি সীটশিংদু বোইকোট তৌখি তৌইগুম্বসুং তুংদা সী পি পিগা এগ্রীমেন্ট অমা পুরকখি।



HL-B/3146/18/06-17/07

# EMPLOYMENT NEWS

## UTTAR PRADESH SUBORDINATE SERVICE SELECTION COMMISSION – UPSSSC RECRUITMENT 2016 – 3210 TUBEWELL OPERATOR VACANCIES

Uttar Pradesh Subordinate Service Selection Commission (UPSSSC) Lucknow invites application for the post of 3210 Tubewell Operator in Chief Engineer (Mechanical) Irrigation and Water Resources Department U.P, Lucknow. Apply Online before 27 July 2016.

Advt No. : 15(3)/2016

Job Details :

Post Name : Tubewell Operator
No. of Vacancy : 3210 Posts
Pay Scale : Rs.5200-20200/-
Grade Pay : Rs.1900/-

Categories wise Vacancies :

Unreserved : 2322 Posts
OBC : 252 Posts
SC : 433 Posts
ST : 203 Posts

Eligibility Criteria for UPSSSC Recruitment :

Educational Qualification : Candidate must have passed High School Examination from Board of High School and Intermediate U.P Allahabad or Any Examination recognised by the Government as equivalent and must have Two Years certificate in Fitter Electrician Turner Mechanic Tubwell Mechanic Tubwell boaring Technician Machinist Electrical Wireman Trade provided by Industrial training Institute (ITI).

Nationality : Indian

Age Limit : 18 to 40 years (As on 01.07.2016)

Job Location : Uttar Pradesh

Selection Process : Selection will be based on Interview.

Application Fee :

For Unreserved (General) & OBC Category : Rs.105/-
For SC/ST Category : Rs.65/-

Candidates submitted fee through SBI -E-collect Only.

How to Apply UPSSSC Vacancy : Interested Candidates may apply Online through UPSSSC website http://upsssc.gov.in from 08.07.2016 to 27.07.2016 (Part-I) and up to 01.08.2016 for Part-II.

Important Dates to Remember :

Starting Date For Submission Of Online Application : 08.07.2016
Last Date For Registration Of Online Application (Part-I) : 27.07.2016
Last Date For Submission Of Online Application (Part-II) : 01.08.2016
Closing Date for receipt of Application Fee : 29.07.2016

Important Links :

Detail Advertisement Link : http://upsssc.gov.in/OuterPages/View_Enclosure.aspx?ID=523&flag=H&FID=1233
Apply Online : http://upsssc.gov.in/AllNotifications.aspx

## GOA POLICE RECRUITMENT 2016 181 POLICE SUB-INSPECTOR, POLICE CONSTABLE & VARIOUS VACANCIES

Goa Police invites Application for the post of 181 Police Sub-Inspector, Police Constable & Various Vacancies. Apply before 08 August 2016.

Job Details :

Post Name : Police Sub-Inspector
No. of Vacancy : 34 Posts
Pay Scale : Rs. 9300-34800/-
Grade pay : Rs. 4200/-
Post Name : Police Constable
No. of Vacancy : 119 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade pay : Rs. 1900/-

Eligibility Criteria for Goa Police Recruitment :

Educational Qualification :

Police Sub-Inspector : Degree of recognized university or equivalent or Higher secondary school certificate examination with Diploma in Security and Investigation technology.

Police Constable : Secondary school certificate examination or equivalent qualification.

Nationality : Indian

Age Limit : As on 08.08.2016

For Police Sub-Inspector : 20 to 28 years
For Police Constable : 18 to 22 years

Job Location : Goa

Selection Process : Selection will be made on Written Examination.

Application Fee : Candidates belonging to General have to pay application fee Rs. 200/- & Rs. 100/- for SC/ST/OBC/ Ex-Serviceman/ PWD/CFF candidates through cash deposit.

Application Form : Prescribed Application forms are available Goa Police Welfare Society, Administrative Block, GRP Camp, Altinho,Panaji Goa from 09:30 hours to 17:30 hours on all working day.

How to Apply Goa Police Vacancy : Interested candidates may apply in prescribed application form along with photocopies of relevant documents send to The Superintendent of Police, Police Headquarters, Panaji -Goa on or before 08.08.2016.

Important Dates to Remember :

Last Date For Submission of Application : 08.08.2016

Important Links :

Detail Advertisement Link : http://www.goapolice.gov.in/documents/2.pdf

## UPSC RECRUITMENT 2016 – 280 JUNIOR WORKS MANAGERS, SENIOR SCIENTIFIC ASSISTANT & VARIOUS VACANCIES

Union Public Service Commission (UPSC) invites Application for the post of 280 Junior Works Managers, Senior Scientific Assistant & Various Vacancies. Apply Online before 28 July 2016.

Advt. No. : 12/2016

Job Details :

Post Name : Junior Works Manager (Mechanical)
No of Vacancy : 153 Posts
Pay Scale : Rs. 9300-34800/-
Grade Pay : Rs. 4600/-
Post Name : Senior Scientific Assistant (Mechanical)
No of Vacancy : 27 Posts
Pay Scale : Rs. 9300-34800/-
Grade Pay : Rs. 4600/-

Eligible Criteria for UPSC Recruitment:

Educational Qualification :

For Junior Works Managers (Mechanical) : Degree in Mechanical Engineering /Technology from a recognised University/Institution or equivalent

For Senior Scientific Assistants (Mechanical) : Degree in Mechanical Engineering from a recognized university with one year experience in relevant field from any recognized organization or Associate Member of Institution of Engineers (Mechanical Engineering) with one year experience in relevant field from any recognized organization.

Nationality : Indian

Age Limit : As on 28.07.2016

For Junior Works Managers & Senior Scientific Assistants : 30 years

Age Relaxation :

For OBC Candidates : 3 years
For SC/ST Candidates : 5 years
For PH Candidates : 10 years

Job Location : All India

Selection Process : Selection will be based on Recruitment Test & Interview.

Application Fee : The candidates are required to pay a fee of Rs. 25/- either by depositing the money in any branch of SBI by cash, or by using net banking facility of the SBI or by using visa/master credit/debit card. SC/ST/PH/Women candidates who are exempted from payment of fee.

How to Apply UPSC Vacancy : Interested Candidates may apply online through UPSC website www.upsconline.nic.in on or before 28.07.2016.

Important Dates to Remember :

Last Date for Submission of Online Application : 28.07.2016
Last Date for Completely Submission of Online Application : 29.07.2016

Important Links :

Detail Advertisement Link : http://www.upsc.gov.in/recruitment/advt/2016/Advt_12_16_Emp_ORA.pdf
Apply Online : http://upsconline.nic.in/ora/VacancyNoticePub.php